**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি ফারে। মীওই ৫ দগী কিলোগ্রাম ২ হেনবগী দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ ফাগৎলে।

২) মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং খঙদোকবা অখন্নবা দ্রাইভ চথরি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- চহি অসি লোইশিল্লকপদা লৈবাক অসিদা শাজবা মেদ ইন ইন্দিয়া চিপ কৈথেলদা ফংবা হৌরগনি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেনদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম পুবা গাড়ি ১৩০ অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ময়াই লৈকাই ৱার্দ নম্বর নাইদগী কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্ব)গী মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অংথা ভিলেজদগী প্রিপাক (প্রো)গা মীওই অমা ফাখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিলা

অসিগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংঙারেল তেজপুর ৱাইতোন লমখায়দগী মশানা মশাবু আর.পি.এফ-পি.এল.এগী প্রাইভেটনি হায়বা মীওই অমা ফাখি। হৌখিবা ইরাং নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাউ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই থাংজম লৈকাইদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক মীয়াম, স্কুল, সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোনদগী মোবাইল হেন্দসেট অমা কে.সি.পিগী দিমান্দ লেটর অমা অমসুং আধার কার্দ অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং বি.এস.এফনা ঙরাং ড্রগকা মরী লৈননা চংশিনখিবা ওপরেসন অমদা লিলোংগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই মঙা ড্রগকা কোন্ননা ফাখি। মীওই অমদগী কিলোগ্রাম ২ গ্রাম ২৭ লোমগী দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ ফাগৎখি। অতোপ্পা মীওই অমদগীনা গ্রাম ৪৫ রোমগী দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ ফাগৎপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা মোবাইল হেন্দসেট ৬, গাড়ি অনিনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা লিলোং উসোইপোকপী থরাউরোক্তগী মুহাম্মদ মুস্তাকিন কৌবা মীওই অনি ইং ২০২২ দা সাপোন কেপ ২০৫ দা হিরোইন পুরম্বগীদমক অসাম পুলিসনা গুৱাহাতিদগী ফারুরবনি। ক্যামগৈ মমাং লৈকাইদগী মুহাম্মদ বাবোই হায়রিবা মীওই অসিসু ইং ২০২০ দা গুৱাহাতিদা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৭ পুরম্বগীদমক অসাম পুলিসনা ফারুরবনি।

মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা চুরাচান্দপুর জিলাগী সোংসিবোক থিংখংফাই খুলদা লৈবা য়ুম অমদগী সাপোন কেপ ২০ হাপ্লম্বা গ্রাম ২৩৬ লুম্বা ব্রাউনসুগর ফাগৎপা ঙমখি। মফম অদুদগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৩ লিশিং ৮৭ হেনবসু ফাগৎপা ঙমখি। মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

মরক অসিদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা গাড়ি নিয়ম লান্না থৌবশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা দ্রাইভ চংশিনবগী থবক লেপ্তনা চথুরি। ঙরাং গাড়ি ৮৪ চলান ককপগা লোয়ননা লুপা লাখ ১ লিশিং ৩৭,৫০০ খোমগৎপা ঙমখি।

ইম্মিগ্রেন্ট (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং খঙদোকবা অখন্নবা দ্রাইভ চখরি।

সেনাপতি পুলিসনসু খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা মতম খরা অসিদা মীওই লিশিং ৩,৫০০ মশক খঙদোকখি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পাউনা হায়- মতিক চাবা চে চাংশিং য়াওদনা সেনাপতি জিলা ফাওদুনা চৎলিবা মীওইশিং য়েংশিনবগী থবক থা অসিগী হৌরকপদগী জিলা অসিগী পুলিসনা চখরক্লি। থা অসিগী ৭ তগী ঙরাং ফাওবদা সেনাপতি পুলিসনা মীওই লিশিং ৩,৫৫৯ মশক খঙদোকখি। মসিগী মনুংদা মীওই ২৯৬ ইন্নরলাইন পার্মিৎ য়াওদবা মীওইশিংনি। অদুগা মীওই ২৩৭ না মতম হেল্লবা ইন্নর লাইন পার্মিৎ পায়রম্বা মীওইশিংনি। চহি শুদ্রিবা অঙাং ৮ থবক শুনবগীদমক পুশিল্লকখি। হায়রিবা অঙাংশিং অসি মাও গেটতগী হলহনখি।

পাউ অদুনা হায়- আই.এল.পি য়াওদবা নত্রগা মতম লোইরবা আই.এল.পি পায়বা মীওইশিং মাও গেটতা লৈবা আই.এল.পি কাউন্টরদা নৌনা আই.এল.পি পীখি। হৌজিমক্কী ওইনা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থেংনদ্রি।

সেনাপতি পুলিসনা নেসনেল হাইৱে টুগী মরাম-পেরেন লম্বী, তদুবী-তোলোই লম্বী, ইন্তর ভিলেজ রোডশিং, কৈথেলগী মফমশিং অমদি অতৈ মফমশিংদা দ্রাহভ চখখি। সেনপাতি পুলিস অমসুং মরিসুবা আই.আর.বিগী টিম অমা তমফুংদা লৈদুনা আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপ্রা হায়বদু য়েংশিনবগী থবক চখরি। খোঙজং অসি মখা তানা চংশিনখিগনি হায়রি।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লিবা ইকোনোমি ওইরকপগা লোননা অথুবা মতমদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি ওইবা ঙল্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অসি মপাঙ্গল কনবা অমসুং অখাঙ কনবা লৈবাক অমা ওইনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা আশা তৌই। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী

ইনফ্লেসনগী চাং নেমলি, ইন্টরেষ্টসু হন্থবগা লোয়ননা ফোরেক্স রিজার্ভ মপাঙ্গল কনখৎলক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অখণ্ড অহৈশিংগী মোৎ মতুংইন্না ভারতনা মালেমগী চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা মতেং পাংলিবা অসি অথুবা মতমদা চাদা ২০ য়ৌরবা য়াই।

রিফোর্ম, পার্ফোম অমসুং ট্রান্সফোর্ম হায়বা মন্ত্রগী মখাদা মালেমগী চাওখৎ লম্বীদা থিন্থহল্লিবা অসি ঙসিদি ভারতনা ইনখৎপা ঙম্বগী শক্তি অদু লৈরক্লে। মহাকা থা খুদিংগী দোমেষ্টিক ইনভেষ্টর লাখ কয়ামরুমনা এস.আই.পিগী খুত্থাংদা মার্কেটশিংদা লুপা কোতি লিশিং কয়া থাদরকি।

প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- ভারতনা মেক ইন ইন্দিয়া সিক্স-জি শেমনবা থবক পায়খৎলি। সেমি কন্দক্তরগা মরী লৈনবা ফেক্তরিশিং ভারত্তা লৈবা হৌরক্লে হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- চহি অসি লোইশিল্লকপদা লৈবাক অসিদা শাজবা মেদ ইন ইন্দিয়া চিপ কৈথেলদা ফংবা হৌরগনি। হৌখিবা চহি ১১ অসিদা ভারতনা স্পেস মিসন ৬০ পাঙথোকখি হায়না নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- চহি অসিদা অসিগুম্বা মিসন কয়া পাঙথোকবা থৌরাং তৌদুনা লৈ।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলস অমসুং ভারত লান্মীনা অৱাং নোংপোক ভারত্তা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অসাম রাইফলসনা নহাশিংদা অকোইবগী ফিভম কনবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবগী পান্দমদা নাগালেন্দগী পেরেন জিলাগী হেনিন কুংলৱাদা মহৈরোইশিংগা খুৎশমদুনা উ থাবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা রাইফলমেন চন্দসেখর সিংহ অমসুং মহেন্দ্র সিংহ লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল অমসুং তেংনৌপল জিলাদা পাঙথোকপা থৌরমশিং অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে, মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকবা থবক পায়খৎলি হায়না অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা, ক্রিমিনেল লোগী মতাংদা ষ্টেটকী থাক্তা কনফরেন্স হৌদোকখিবা অমসুং এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী লুচিংবা টি.ঐচ. মুইভা মহাক্কী পোকফম ওইরিবা উখ্রুলদা ওক্তোবর থাদা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুর ক্রাইসিস ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকবা থবক পায়খৎপা লোইদুনা নাকল অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়বা অমিত সাহগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদনা- মণিপুরগী ফিভমদা অমিত সাহনা হায়- ফুরুপশিংগা ৱারী শান্নদুনা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়না হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগীনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

চহি ৫০ গী মতুংদা এন.এস.সি.এন (আই.এম)গী লুচিংবা মুইভা মহাক্কী পোকফম লমদমদা চৎকদৌরি হায়না সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ক্রিমিনেল লোগী মতাংদা ষ্টেটকী থাক্তা কেম্পেন হৌদোকখ্রে। অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা লো ময়েক শেংনা খঙনা চৎকদবনি হায়বা চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে. সোমা সেকরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি মোর্নিং বেল অমসুং পোকফমদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- সাইবর ক্রাইমগী ৱথোক্তা মণিপুরদসু মীশি মীনা থোক্লব্রা, ভিদিও ভাইরেল অমনা মরম ওইদুনা ক্লাস নাইন তম্লিবী নুপীমচা অমা থৌরি য়ানদুনা শিজখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অমজ্ অমসুং ই.জি.এমনা গ্বালতাবী থৌদোক্কা মরী নৈননা চংশিল্লকখিবা খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

উ থারগা য়েংশিন্দ্রবদি উ থাবগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়না এম.এল.এ দিঙ্গোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমগী এনকর কলমদা ফোংলি।

এন.পি.পিনা সরকার শেমবা লোবী তৌরি হায়না এম.এল.এ- কে.ঐচ লোকেন্না ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ম্যান্মার লালহৌবশিং রখাইন ষ্টেট পুল্লপ পায়শিন্নবা হোৎনরকপা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী লন্থী অনিসু পায়শিনবদা য়াওদৌরি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। নৈলিটকী এ.আই মিসন লেবনা কান্নবা পীরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

চহি ৫০ গী মতুংদা এন.এস.সি.এন (আই.এম)গী লুচিংবা টি.ঐচ. মুইভা চহি অসিগী ওক্তোবর থাদা মহাক্কী পোকফম লমদম উখ্রুলগী সোমদাল ভিলেজদা লাক্লবা য়াই হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরদা কুকিং গ্যাস ফংদবগী অৱাবা মায়োকরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা বোক্স আইতেম ওইনা ফোংলি।

পিপলস য়ুনিয়ন ওফ সিভিল লিবর্তিজ (পি.য়ু.সি.এল)না মণিপুর ইরাংগা মরী লৈননা ফোংখিবা রিপোর্ট মীচং মীখায় নাইবা অমসুং অশোইবা অরানবা কয়া য়াওই হায়দুনা মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরকপগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস য়ুনিয়ন ওফ সিভিল লিবর্তিজ (পি.য়ু.সি.এল)গী রিপোর্টতা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা মৈ হৌনা শাউখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। শেরৌদা ফিফতিৱান মোর্টারগী বোম অমা ফংলে, পুলিসনা পোকখায়হনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরগী ইরাং অসি অথুবদা লোইশিনবীয়ু, শুরগা চাজরিবা ঐখোয়না পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং ইরাংসিনা নিংতমা য়োনবা ফংহনদ্রে হায়না ৱাফরোক মরিংদা লৈবা হৈরোক কোরোংথেলদগী তোম্বা মরিং কৌবা মীওই অমনা ফোংদোরকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইন্দিয়ান এসোসিয়েসন ওফ টুর ওপরেটরস (আই.এ.টি.ও)গী ৪০ শুবা এন্যুএল কনভেসনদা মণিপুর তুরিজমনা শরুক য়াদুনা ষ্টেট অসিগী ইনাক খুল্লবা হেরিতেজ উৎখ্রে হায়বা মোর্নিং বেলগী অনিসুবা পাউ ওইরি।

সি.পি.আই মণিপুরগী ৭৮ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। আজয় কুমার ভল্লা নাগালেন্দগী গভর্নর ওইনা হয়েং ৱাশক লৌগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------